facebook.com/sanaleibak.daily

চহি চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফাওবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com

ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ
সনালৈবাক

Vol : 40 Issue : 365-62 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Thursday October 30, 2014 শগোলশেল, হিয়াঙ্গৈগী ৭ নি পানবা

DVD/STAB./ /TATA SKY HD FREE
20" LED TV
+ 150LT REFRI:
+ 6KG W/MACHINE
= ₹ 24500
24" LED TV
+ 190LT REFRI:
+ 7KG W/MACHINE
= ₹ 30500
VIDEOCON HOUSE.
PAONA BAZAR. IMP

NINGOL CHAKKOUBA SPL. PRICE
32" LED TV
+ 190LT REFRI:
+ 7.2KG W/MACHINE
= ₹ 36000
DVD/STAB./ /TATA SKY HD FREE
24" LED TV
+ 170LT REFRI:
+ 7KG W/MACHINE
= ₹ 30000
VIDEOCON HOUSE.
SARAJEEVAN ENTERPRISES
PAONA BAZAR. IMP

পাটিয়ালা হাউস কোর্টতা লৈবা কেস অমগা মরি লৈননা সম্মোন ফংবদগী দিল্লি চৎন্বগীদমক ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা ইরোম চনু সর্মিলা অমসুং মহাক্কী লোইনখিবশিং

চূড়াচান্দপুরগী তুইবোংদা লৈবা নৌনা শাবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্ট মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীনা শঙ্গাদুনা থবক হৌহনখিবা

অহানবা কাখল

কাখলগী চিঙ্খৈ

অঙম্বনা থবক পাঙথোকই
ঙমদবনা থবক তাকই ।

ꯑꯉꯝꯕꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯏ
ꯉꯝꯗꯕꯅꯥ ꯊꯕꯛ ꯇꯥꯛꯏ ॥

গ্যাসকী পাউ শমায় ৩ দা

ঙসিগী অঙৈং-অশাগী পাউ

	খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ ১১°
	খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪°
নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.১৬ নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৪.৩৭	নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৬৫

কোর্ট হায়বসি অচুম্বা ৱায়েল পীনবনি অদুবু মীয়ামগী তেংবাং য়াওদ্রবদি য়ারোই ঃ সি এম

এস এন এস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ চূরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী তুইবোংদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট কো কমপ্লেক্সতা ঙসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী সিংহনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট চূরাচান্দপুর হাংদোক্তুনা মথৌ তৌহনখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, কোর্ট হায়বসি অচুম্বা ৱায়েল পীনবগীদমক লৈবনি। অদুম ওইনমক মীয়ামগী তেংবাং য়াওদ্রবদি অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবা ঙম্লোই।

দিমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তা লেজিসলেটিব, এগজিক্যুটিব অমসুং জুদিস্যারি সিষ্টেম অসি মপুং ফানা চৎনহন্দবা য়াদে অমসুং চপ মান্ননা চাওখৎমীন্নবা তাই।

সিষ্টেম অহুম অসিগী মনুংদা জুদিস্যরিদা অয়েৎপা পীদনা মথৌ মশক খঙনা থবক তৌরবদি অফবা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইগনি। মহাক্না মখা তানা হায়, কনাগুম্বা মীওই অমবু পুলিসনা পুং ২৪ হেন্না ফাজিন্দুনা থম্বা য়াদে হায়বসি লৈবাক অসিগী চৎনরিবা আইনগী চৎন-পথাপ্তা ময়েক শেংনা য়াওরিবনি। অদুনা ফারবা মীওই অমা পুং ২৪গী মনুংদা কোর্টতা পুথোকপা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইরি। কেস অমা থেংনবা মতমদা দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা কোর্ট লৈতবদগী ইম্ফালদা চৎতুনা কেস থেংননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা লাক্লিবনি। মীয়ামগী অৱাবা খুদোংচাদবা অসি খরমখে কোকহন্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট অমমম হাংদোক্নবা সরকারনা থবক পায়খৎলকখিবনি।

কোর্ট অসি মপুং ফানা মথৌ তৌহনবা ঙম্নবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট জেল, পুলিস ষ্টেসনশিংগী লোক-অপ অমদি কোর্টকী ষ্টাফ ক্বার্টিরনচিংবা দরকার ওইবশিং অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনরি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোংদোকখি।

ষ্টেটকী শেল-থুমগী ফিভম ফৎতনা লৈরবসু মীয়ামগীদমক তৌদবা য়াদবা থবক্তিং চপ চানা পাংথোক্লবা হোৎনরি।

উখ্রুল, চান্দেল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজগী কোর্ট অমমম হাংদোক্লগনি হায়রদুনা মীয়াম্না সরকারদা মতেং পাংবীনবা অমসুং কোর্টশিং নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা হোৎনবদা তোংবাংবীনবা অপিলসু তৌখি।

থৌরম অদুদা য়াওখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস লক্ষ্মীকান্ট মোহাপত্রানা হায়, সিভিল কেস কয়া থেংননবা হোৎনবদা মেজিষ্ট্রেটকী কোর্ট কয়া হাংদোকপা মথৌ তাই। অদুনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর খুদিংমক্তা

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

সিবিআইনা মণিপুরদা শেঞ্চা থুমজা থিংনবা লেপ্তনা চংশিল্লিঃ সুব্রমোনি

এস এন এস

ইম্ফাল ওক্টোবর ২৯ঃ শেঞ্চা থুমজা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা শিনফম খুদিংমক্তা লেপ্তনা শন্দোরক্লি। সি বি আইনা ষ্টেট অসিদা শেঞ্চা থুমজা থিংনবা দাইত্ব লৌরগা থবক চংশিল্লি হায়না সি বি আই ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী হেদ ওফ ব্রাঞ্চ এস বালাসুব্রমোনিনা ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ২৭ তগী হৌদুনা নবেম্বর ১ ফাওবা চয়োল অমা চুপ্পা লৈবাক শিনবা থুংনা চখরিবা ভিজিলেন্স এৱার্নেস ৱিককী থৌরমগা মরি লৈননা ঙসি লম্ফেলপাত্তা লৈবা সি বি আই ইম্ফাল ব্রাঞ্চ ওফিসতা পাঙথোকখিবা সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপতা এস বালাসুব্রমোনিনা হায়, শেঞ্চা থুমজা হায়বসিনা লৈবাক অসিদা শেল থুমগী ফিভমদা শাথিবা চৈথেং পীবা অচৌবা ইশু অমা ওইরি।

ইং ২০১২দা ত্রান্সপরেন্সি ইন্টর্নেসনেলসকী করপসন পর্সেপসন ইন্দেক্সকী মতুংইন্না ইন্দিয়া অসি লৈবাক ১৭৬ কী মনুংদা ৯৪ শুবদা লৈরি। শেঞ্চা থুমজা অসি হন্থরবদি লৈবাক অসিগী জি দি পি রেট অসি হেন্না ৱাংখৎলকপা ঙমগনি। শেঞ্চা থুমজানা ইনবেষ্টমেন্ট, গ্রোঠ অমসুং জোবতা লৈবাক অসিদা চহি অমদা য়ু এস বিল্লিয়ন দোল্লর ৫০গী চাংদা মাংহল্লি হায়না পানরি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা সি বি আইনা শেঞ্চা থুমজাগী থবকশিং অসি থিংনবা মীৎয়েং চংদুনা হোৎনরি। ঙসিগী থৌরম অসিমক লমদম অসিগী মীয়ামদা সি বি আইনা তৌরিবা থবকশিং অসিগী মরমদা খঙহনবনি।

সেন্ট্রেল গর্ভর্নমেন্টকী দিপার্টমেন্ট নত্রগা ফন্দদা কনাগুম্বনা লান্না শিজিন্নবগা মরি লৈননা ৱাকৎ লাকপা মতমদা সি বি আইনা মদু থিজিনবগী থবক চথে। অদুম ওইনমক সি বি আইদা সু মোতো কেস লৌখৎপগী হক অদু লৈতবনা শেঞ্চা

➢মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

লোইরেদনা


ꯏꯕꯦꯝꯃꯒꯤ ꯊꯥꯎꯁꯤꯕꯨ ꯀꯔꯝꯕꯅꯣꯅꯦ,
ꯃꯩꯐꯨ ꯇꯤꯛꯂꯒꯥ ꯌꯣꯝꯕꯥ ꯌꯥꯔꯤꯁꯤꯕꯨ ?
ইবেম্মগী থাওসিবু করম্বনোনে, মৈফু তিক্লগা য়োম্বা য়ারিসিবু??
ꯍꯩꯃꯥ ꯇꯥꯗꯥ, ꯃꯩꯐꯨ ꯌꯥꯏꯕꯥ ꯌꯥꯕꯥ
ꯄꯦꯠꯔꯣꯜꯁꯤꯅꯦ ꯖꯦꯔꯣ ꯃꯈꯥ
ꯍꯥꯏꯅꯕꯗꯣ ॥
হৈমা তাদা, মৈফু য়াইবা য়াবা পেত্রোলসিনে জেরো মখা হায়নবদো ।

! হেক্তা হায়জিনবা !

- *সঙাই ফেষ্টিবেলগী শাগৎপা হৌরমাল্লেনে ?*
- *হৌরে হৌরে য়াম্না ঙন্না হৌরে ।*
- *শঞ্জেহৌংদি লোইহৌদ্রেনা ।*
- *লোইদ্রেদনা ।*
- *অদুদি মীয়ামদুদি কদোমদগী লাক্লগা কদোমদা চৎতৌরিবা ?*
- *থুম্বুথোংদা লাক্কদৌরিবনি থুম্বুথোংদা হনগদৌরিবনি ।*
- *হায় হায় হৌজিক ফাওবা চৎপা ঙমদ্রিবা লম্বীসিদা ফেষ্টিবেল মীয়ামদু করম তৌদৌরিবা?*
- *থুম্বুথোংগী লম্বীসিগা এয়ারপোর্টকী লম্বীসিগা স্পিসিয়েল শো ওইনা ফোরেন টুরিষ্টশিংদা উৎকদৌরিবনিনে ।*
- *হোইদা মণিপুরগী অশেংবা মশক উৎপসু য়াইদা টুরিষ্টশিংদুদা ।*
- *অদুগা খনপোৎ নত্তেদা, উরিবদি কাইদৌরিবা পৈশাদুনিদা ।*
- *নঙগীদু হেক্তা হায়জিনবিদি নত্তেকো ?*

গ্যাসকী মমল লুপা ৩ হেনগৎখ্রে

এজেন্সি

নিউ দিল্লি ওক্টোবর ২৯ঃ চাকথোং গ্যাসকী দিল্লরশিংদা পীবা কম্মিসন হেনগৎখ্রবগী মতুং তারকপদা ভারত সরকারনা লৌরকপা ফিরেপ অমদা মীয়ামদা ফংহনবা সবসিদাইজ ওইবা চাকথোং গ্যাসকী মমল লুপা ৩ হেনগৎখ্রে। দিল্লরশিংদা পীবা কম্মিসন অসি কেজি ১৪.২গী সিলিণ্ডর অমদা লুপা ৩ হেনগৎলগা লুপা ৪৩.৭১ য়ৌখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা চাকথোং গ্যাসকী মমল অসি মসিগা চাং মান্ননা হেনগৎতবা য়াদবদগী হেনগৎপনি হায়না সরকারগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোক্লি।

চাকথোং গ্যাসকী দিল্লরশিংদা পীবা কম্মিসন হেনগৎখিবগী ৱাফম অসি হৌখিবা ওক্টোবর ২৩দগী চৎনবা হৌখিবনি।

দিল্লরশিংগী কম্মিসন অসি মমাংগী চহিগী দিসেম্বর থাদা লুপা ৩.৪৬ হেনগৎখ্রবা মতুংদা লুপা ৪০.৭১ য়ৌখ্রবনি।

হন্দক মমল হেনগৎলকপা অসি য়েংলগা সবসিদাইজ এল পি জিগী মমল অসি দিল্লিদা কেজি ১৪.২গী সিলিণ্ডর অসি লুপা ৪১৭, কোলকট্টাদা লুপা ৪১৯, মুম্বাইদা লুপা ৪৫২ অমসুং চেন্নাইদা লুপা ৪০৪ পীরগনি। চাকথোং গ্যাসকী মমল হেনগৎপা অসি নন সবসিদাইজ এল পি জিগী মমলদসু চৎনগনি। কনাগুম্বা

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

এক্সিদেন্টতা অমা শিরে মরি শোক্লে

এস এন এস

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ ঃ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সুনুসিফাইদা লুহোংবগী কৈন্যা থিনবা চৎলুবা মারুটি কার রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এন ০২এ-৩২২৫ এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই অমা শিরে মরিনা শোক্লে।

পাউ অসিনা হায়, থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৪৫রোম তাবা অদুৱাইদা থোকখিবনি। সুনুসিফাইদা কৈন্যা থিল্লুরগা হল্লকপদা ফুবালা অমদি থিনুঙ্গৈ লোন্নবা জগা অমগী খোঙবান্দা তাশিন্দুনা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদু করাম ইবোচৌ (৪৫) অপোকপা তোম্বী বিষ্ণুপুর ৱার্দ নম্বর-১ দগীনি হায়বা খঙলে। অদুগা শোক্লবশিং অদুসু লৈকায় অদুদগীনি মমিংনা লৈশাংথেম ইবোতোম্বী (৪৮) অপোকপা

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

ৱাল্কিং চৎপা মীওই অমা নোংমৈনা পানবদগী শোক্লে

এসএনএস

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৯ ঃ ঙসি অয়ুক পুং ৬.৪০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মহাবলি কবুই খুলগী মনিংদা লৈবা লম্বীদা অয়ুক্কী ৱাল্কিং চৎপা অহল অমা খুললোমদগী কাপথোরকপা মথোং খংদবা নোংমৈ মরুনা য়েৎথংবা ফৈগলদা পানবদগী শোক্তুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এদভান্স হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

থৌদোক অদুদা শোক্তুনা লায়কন্নখ্রবা মীওই অদুদি নিংথৌখোঙজম ইবোপিশক (৭১) অপোকপা লৈখিদ্রবা অঙাংহল কৌই। ৱাখ্রে লৌরেম্বম লৈকায়দগীনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা শোক্লবা ইবোপিশক্না ফোঙদোরকপদা, মহাক নুংতিগী অয়ুক অঙনবদা ৱাল্কিং চৎপগুম ঙসিসু মহাক মথন্তা ময়ুমদগী মখোঙনা ৱাল্কিং থোক্লকখি। অদুবু মহাবলি কবুই খুল মনিংগী লম্বী মপা য়ৌরকপদা খুল্লোমদগী কাপ্লকপা ওইগনি থাজবা মওংদা নোংমৈ মখোল অমা তাখি। ঙাইহাক লৈরগা মহাক্কী য়েৎথংবা ফৈগলদা ঈ তারগা লৈরম্বদগী নোংমৈনা পাল্লে হায়বা খঙলকখিবনি। মফম অদুগী অনকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী পুলিস পার্সোনেল খরসু দুটি

➢মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

মহৈরোয় অমা ওজানা ইজ্জৎ মাংহনবীখ্রে

এসএনএস

ইম্ফাল,ওক্টোবর ২৯ ঃ হেক তাবদা য়াম্না তুক্কৎচবা অমদি নুংঙাইতবা থৌদোক অমা ওইনা পীক্লিবী ক্লাস টু খক্তা তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমবু মহাক্কী ওজানা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ মাংহনবীখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা ওজা অদুগী মমিং অরাম্বম রোবিন্দ্রো (৪৫) কৌই। মহাক বিষ্ণুপুরগী সি আই কলেজ মনাক্তগীনি। হৌজিক্লা ময়াংইম্ফালগী হঙ্গুল ময়াই লৈকায়দা লৈবা মার্সিফুল ইংলিস স্কুলগী ওজাগী ক্বার্টরদা লৈবনি হায়রি।

থৌদোক অদু থা অসিগী হৌখিবা তাং ২৬ কী নুমিদাং পুং ৭ লোম তাবা মতমদা বোর্দিংদা লৈবী মহৈরোয় নুপীমচা অদুনা মহাক্কী ময়ুমদা টেলিফোন তৌগে হায়না লাকপা মতমদা মহাক্না মখুৎ পায়দুনা চিংশিল্লগা নম্ফুদা নুপী ওইবীগী ইজ্জৎ মাংহনখিবনি হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা, থৌদোক অদুগী মতুং তাং ২৮ দা স্কুলগী স্পোর্টস মিট থোকপা নুমিৎতা নুপীমচা অদুগী ঈ তৈরবা মফি মরোল অদু শুদোকখিবনা মরম ওইদুনা শেৎনিংঙাই ফিরোল লৈতে হায়না ওজা অদুগী মনাক্তা লাক্লগা মহাক্কী ময়ুমদা টেলিফোন তৌগে হায়রখি। মদুদা ওজা রোবিন্দ্রোনা মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী

➢মখা লমায় ৫ কলম ৩ দা

পুক্নিং চিংশিল্লি ঃ গভর্নমেন্টকী টেক্স ডিদক্টরশিং

হাপ্পীয়ু
টান অমসুং পান

শোইদনা
চপ চাবদু
ফাইল তৌবদা হাপ্পীয়ু,
টি ডি এস ডিদক্টিশিংবু মোমোন নোকহন্নবা

ফাইল

সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৪ দা লোইবা ক্বার্টরগী টি ডি এস ষ্টেটমেন্ট ওক্টোবর ৩১, ২০১৪গী মনুংদা ই-ফাইল তৌগদবনি

ইশু

সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৪ না লোইবা ক্বার্টর অসিগী তলব নত্তনা ইন্‌কমগী টি ডি এস সর্টিফিকেট ফোর্ম ১৬ (এ)দা নবেম্বর ১৫, ২০১৪ ফাওবদা লৌগদবনি

মখাগী খোঙথাংশিং অসি শোইদনা ইল্লব্রা হায়বদু য়েংবীয়ু

ডিদক্ট
- আইন্না দরকার ওইবগী মতুং ইন্না শেল থিবা মতমদা অশেংবা টি ডি এস অদু ডিদক্ট তৌ
- এট সোর্ছতা ডিদক্ট তৌহৌদবা/লৌশিলহৌদবা তারগদি ডিদক্ট/লৌহৌদবা টেক্সকী শেনফমদুগা মান্নবা দন্দি ফংগনি

দিপোজিট
- ট্রান্সফরগী কেসবুক্তা খুদক্তা ককথৎহৌরিবা/লৌহৌরিবা টেক্স অদু নুমিত্তুমক্তদা ডিপোজিট তৌ অমসুং চল্লান শিজিন্নবা ওইরগনা মথং থাগী ৭ ফাওবগী মনুংদা ডিপোজিট তৌগদবনি
- ককথৎহৌরিবা/লৌহৌরিবা টেক্স অদু গভর্নমেন্টকী একাউন্টতা ডিপোজিট তৌদ্রবদি ফদোক তাবা ফাওবা য়াই

ফাইল
- সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৪না লোইবা ক্বার্টরগী টি ডি এস ষ্টেটমেন্ট ই-ফাইল **ওক্টোবর ৩১, ২০১৪** ফাওবদা তৌগদবনি
- টি ডি এস ষ্টেটমেন্ট ফাইল তৌবদা থেংথবা তারগদি থেংথরিবা নুমিৎ খুদিংগী লুপা ২০০গী ফি অমা থিদুনা ককহৌগদৌরিবা টেক্সকী শেনফম অদুদগী হেন্দনা থিবা তাগনি

ডাউন লোদ
- তোঙান-তোঙানবা মওং ৭ কী টি ডি এস সার্টিফিকেটকী নম্বর য়াওবা ফোর্ম **১৬ এ** http://www.tdscpc.gov.in দগী ডাউন লোদ তৌবা য়াই
- পান চুম্না হাপ্লগদি/লাল্লগদি টি ডি এস সার্টিফিকেট অসি ট্রেসেস পোর্টেলদগী ডাউন লোদ তৌবা য়ারোই

ইশু
- সেপ্টেম্বর ৩০, ২০১৪ না লোইবা ক্বার্টরগী তলব য়াওদনা ইনকমগী টি ডি এস সার্টিফিকেট ফোর্ম ১৬ এ দা **নবেম্বর ১৫, ২০১৪** ফাওবদা ইশু তৌগদবনি
- টি ডি এস সার্টিফিকেট ইশু তৌবদা থেংথবা তারগদি ককথগদৌরিবা/লৌহৌগদবা টেক্সকী শেনফম অদুদগী হেন্দনা থিহৌদবা নুমিৎ খুদিংগী লুপা ১০০ থিবগী দন্দি ফংগনি

মিৎ-না শিংবিয়ু
- ডিদক্টর পুন্নমক্না মশা মশামক http://www.tdscpc.gov.in (ট্রেসেস পোর্টেল) দা রেজিষ্টার তৌগদবনি
- এ ও (পি এ ও/ডি টি ও/সি ডি ডি ও) না বুক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর (বিন) মতম চানা চংবা য়ানবা থাগী ওইনা ফোর্ম ২৪ জি ফাইল তৌগদবনি
- গভর্নমেন্টকী ডিদক্টরশিংনা মশাগী বিন থা খুদিংগী মখোয়গী এ ওদগী লৌগদবনি অমসুং মদুমক ক্বার্টরগী ওইবা টি ডি এস ষ্টেটমেন্টশিংদা তোঙান্না হাপকদবনি
- বিন হাপ্তনা ফোর্ম ২৪ ক্যু/২৬ ক্যু অপলোদ তৌবা য়ারোই
- ডিদক্টিশিংনা মখোয়গী থিফম থোকপা টেক্স ক্রেদিট ফংনবগীদমক অচুম্বা পান/সি আই এন হাপকদবনি
- টি ডি এস ষ্টেটমেন্টতা পান নত্রগা টান হাপ্তবা তারবদি দন্দি ফংবা য়াই

চানবীদুনা খংজিন্নীয়ু

শেনবা চহি ২০১৪-১৫গী অনিশুবা ক্বার্টরগী ওইনা অন্ধ্র প্রদেশ, জে এন্দ কে, ওরিষা অমসুং তেলঙ্গানা ষ্টেটশিংগী ওইনা লৈরিবা ডিদক্টরশিং/কলেক্টরশিংগী ওইনা টি ডি এস/টি সি এস ষ্টেটমেন্টশিং ফাইল তৌবগী অরোইবা তারিক অসি ভেলিদ ওইবা এ আই এন দা য়াওরবা সরকারগী ডিদক্টরশিং/কলেক্টরশিংগী ওইনা নবেম্বর ৭, ২০১৪ ফাওবা অমসুং হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগী অতোপ্পা ডিদক্টরশিং/কলেক্টরশিংগীনা ওক্টোবর ৩১, ২০১৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ইনকম টেক্স ডিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in

davp 15401/13/0050/1415